# ইমাগী হৌজিক মীয়াম্না পাম্না য়েংনরিবা লিলা 'নুংশিবগীদমক'



একেন সিজগুরুময়ুম

পামজবা শেঙ্গাও পায়বা নুপা অমনা মহাকপু মপামদা হল্লক্লবা হায়দুনা মায়বা অমগী মতেংনা পোৎশেম জাদু তৌখি। মখোয়না তৌখিবা পোৎশেম অদুগী মতিক ময়াইনা ডাক্তর নুপী অসি ময়ুমদা খায়নদুনা হল্লকপনি হায়না খন্দুনা লৌগনি হায়বগী আশা তৌখি। থা কয়া হৌখ্রবা মতুংদা থাজা কৌবী ডাক্তর নুপী অসি মচানুপা অনী ফাইবোক পোকখি। মচা পোক্লবা মতুংদা মহাক্কী মবুং অদুনা মচন্নুপীগী ব্রাফম অদুবু মহাক্কী নুপাময়ুমদা হায়রবদা মহাকপু য়াম্না থিনা চৈবীরকখি। ব্রাফম পুম্নমক অসিবু খঙবা মহাক্কী মরুপ ডাক্তর নুপা অদুনা ইমুং অনীগী মমাংদা নীংথিনা খঙহনবদগী মহাক্না লৌরিবা খোংথাং অদু ইমুং মনুংগীনি হায়বা ব্রাফম খঙলকপদগী লান্না খন্নরুবা কয়া অদু কাওথোক্লদুনা নুংশিবগীদমক্তা মপুন্সি কখোক্লিবী মমৌবু মনেম–মকু অমদি মহাক্কী মনাওনুপী ওইনা নুপা অমত্তদা লৈমিন্নরিবা নুপী অদু ফাওবনা মহাক্কী কখোকপা অদুবু থম্মোয় শেংনা য়াখিবা লিলা অমনি।

লিলা কাংলুপ অসিদা লিলা নীংথিনা হৈরবা মীওই কয়া অমনা শক্তম লাংদুনা শান্নবনা মীয়াম্না পাম্নবা লিলা অমা ওইরি। হৌজিক ফাওবদা লিলা কাংবু অসিনা নোংমদা লিলা মরিদগী তাদনা শান্নরি। মখোয়না শান্নরিবা লিলা মরি অসি ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন অসিগী নৌনা পুথোক্লিবা 'নুংশিবগীদমক' হায়বা লিলা অসি লিলা কাংবু অসিমক্না মমাংদা শান্নখিবা 'সনাগী ঙা' হায়বা লিলা অসি ও কুঞ্জোনা ইবনি। লিলা অসিদা ও কুঞ্জোনা পীনিংলিবদি মমা মপাগী নাইতোম পোকচবা মচানুপা অমগী মমৌ ওইরিবী ডাক্তর নুপী অমনা মহাক মশাদা ব্লক কেন্সর নারে হায়বা খঙবগা লোয়ননা মতম অদুমক্তদা মহাক নাওপুরে হায়বসু খঙখি। মহাক্না ডাক্তর তম্মীনরকখিবা মমান্নবা অমনা মহাক্না ঈ চান্নরম্বনা মরম লইদুনা শাংলবা থা তরেৎ নিপান অদুদা মহাক্কী দরকার লৈবা ঈশিং অদু মরুপ অদুগী মপানদগী মখোয় অনীখক্তমক খনরগা শিন্দুনা লাকখি।

মসিনা মরম ওইরগা মহাক্না মহাক্কী নুপা অদুগীদমক এসিষ্টেন ওইনা নুপী অমা লৌখি। লৌরিবা নুপী অদুবু মহাক্না মহাক্কী মপুরোইবগীদমক্তা খল্লগা মখোয় অনী লুহোংনবা হোৎনখি। মমৈথংদা মখোয় অনী লুহোংখি। মহাক্না খল্লিবা পুম্নমক অদু মহাক্কী নুংশিবা ইমুং মনুং অদু খক্কীনি হায়বা অদু কনা অমত্তদা হায়দোক্লে।





ব্রাফম অদু নীংথিনা খঙবা মহাক্কী মরুপ ডাক্তর অদুনা ইমুং মনুংদা খঙহন্সি হায়বা মতম অদুদা মহাক্না মমিৎতা মসু উদ্রবা মনেম অমদি মকুগী য়েংদুনা ব্রাফম অদু কনা অমত্তদা হায়দোকপা য়াদে হায়দুনা থিংদুনা থমখি। মসিনা মরম ওইদুনা মহাকপু লমচৎ নাইদবী নুপী অমা ওইনা মহাক্কী মনেমনা লৌখি অমদি খাইনদুনা মপামদা লৈখি।

নাকল অমরোমদা মহাকপু হায়রিবা লিলা অসি ঙাক্তা নত্তে মমাংদা শান্নখিবা 'সনাগী ঙা' অমদি 'নুংশিবগীদমক' হায়বা লিলা অনী অসিনি। লিলা অসি লিলা কাংলুপ অসিদা অহল অমা ওইনা লৈরিবা চিংলেন থিয়াম্না দিরেক্সন পীবনি। লিলা কাংলুপ অসিদা য়াওরিবা এক্টরশিং অদুদি ওকেন্দ্রো, সুর, খেকমন রতন, খেকমন দেবান, গীটচন্দ্র, চীংলেন থিয়াম, নুপী শাবীদা রোবিন্দ্রো লংথবাল, থোঙাম হিরামোতি, সুরচান্দ অমদি মিলননি।



লিলা অসিগী লিট রোল লৌরিবী থাজগী শক্তম লাংখিবী থোঙ্গ্রাম হিরামোতি লিলাগী লমদা অহানবা ওইনা পিছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনদগী হৌরকখিবনি। মহাক্ন মমাংদা তোমথিন আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনদা য়াওদুনা মীয়াম্না পাম্নবা নুপীশাবী অমা ওইনা হৌজিক লিলা কাংলুপ অসিদা য়াওরি। মসিদসু নত্তনা ইং ১৯৮২ দা ইম্ফাল যাত্রা এসোসিয়েসন হায়বা কাংবু অদুনা শান্নখিবা 'খমনু ৮২' হায়বা লিলা অদুদা খমনু শাবদগী ফাওখিবী রোবিন্দ্রো লংথবালনা লিলা অসিদা য়াওদুনা মনেমগী শক্তম লাংলি। শাংলবা চহী কয়া অসিদা রোবিন্দ্রো লংথবালনা তোঙান তোঙানবা শক্তম লাংদুনা মণিপুরগী শুমাং লিলা কয়াদা য়াওদুনা লাক্লি। লিলা কাংলুপ অসিগী লুচিংবা অমা ওইনা লৈরিবা চিংলেন থিয়াম লিছোইঙম্বী আর্টিষ্ট য়ুনিয়নদা য়াওদুনা 'নোঙজাবী' হায়বা লিলা অদুদা নেগেটিব রোল লৌদুনা মীয়ামদা শক তাক্লকখিবা লীলাগী আর্টিষ্ট অমনি। মতম শাংনা লিলা য়াওদুনা লাকপগা লোয়ননা নহারোল খোঙথাং আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনদা মতম শাংনা লৈদুনা 'কৈশামথোং থোইবী' হায়বা লিলা অদুদা য়ু ঙাওবা বামোন প্রমেশ্বরগী মপা শাবা মহাকপু ময়াম্না হেন্না পান্বা থেংনরকখি। মমাংদা লিলা কুম্ন–কুম্না মণিপুরগী ইহান হান্না পুথোকপা এক্সন ফিল্ম 'মৈরী' দা কমান্দোগী রোল লৌদুনা মায় পাক্লা এক্ট তৌখিবা মীশক অমনি।

লিলা কাংলুপ অসিদা য়াওরিবা নহা ওইরিবা আর্টিষ্টশিং হায়বদি ওকেন, সুর অমদি খেকমন রতননচিংবা কয়া অসি তোঙান তোঙানবা লিলা কাংলুপশিংদা য়াওরগসু মখোয়গী ওইবা মগুন অমমম চহী খরা অসিদা ব্রাংখৎলকপগা লোয়ননা মীয়াম্না পাম্নবা এক্টর ঙাক্তনি। ফাগীগী লমদা হায়রগসু লিলা কাংলুপ অসিদা য়াওরিবা খেকমন দেবান 'নোকফদে' দগী মীয়াম্না শক খঙলকখি। মতুংদা মহাক্না শুমাং লিলাগী কাংলুপ্তা য়াওদুনা মীয়ামদা হেন্না মহাও পীখি।



এক্টর অসিনা শুমাং লিলাদা য়াম্না মমিং লৈখিবা লিলাদি শঙাই আর্টিষ্ট এসোসিয়েসননা শান্নখিবা 'মাইবদো, মাইবীদো, মপুরোইবদো' হায়বা লিলা অসিদগী হৌরগা মহাক্কী মগুন মীয়াম্না পান্বা হেন্নরকখি। লিলা অসিদা মহাক্না পেনা খোংবা অমা শাখিবনি।

লিলা অসিবু ইরিবী ও কুঞ্জোগী মফমদা হায়নিংলিবদি মেলো দ্রামা ওইবা লিলা অসিনা মীয়ামদা অনৌবা মহাও অমদি পী অদুমওইনমক ব্লদ কেন্সর নারবী নুপী অমনা ফাইবোক ওইনা নাওপুহনবা অসি খরা শেমদোক্লগা অঙাং অমখক্তমক নাওপুহনবনা হেন্না ফজগদ্রা হায়বসি ঐগী ব্রাখলনি।










Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*